# সী আর পি এফকী ট্রেনিং কেম্পতা চথুরকখিবা টেররিষ্ট এটেক্তা জৱান ৪, টেররিষ্ট ৩ শিখ্রে

শ্রীনগর, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম)গী টেররিষ্টশিংনা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী ট্রেনিং কেম্প অমদা এটেক চথুরকপদা জৱান মরি শিরে অমসুং অতোপ্পা অহুম অশোক-অপন নংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ২ তাবদা টেররিষ্টশিংনা লেথপোরা কেম্পতা এটেক চথুরকখিবনি। থৌদোক অদুদা টেররিষ্ট অহুমসু শিখি হায়রি।

দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এস পি বাইদ্যনা হায়খি, খুৎলাই মতিক চানা পায়বা টেররিষ্টশিংনা অৱান্তিপোরাদা লৈবা সী আর পি এফকী ট্রেনিং কেম্পতা গ্রেনেদ লংশিল্লকখিবগা লোয়ননা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি।

চৈরকসিদা, পাকিস্তান আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা দিগৱার সেক্টর অমদি রাজোরি দিষ্ট্রিক্টকী নোসেরা সেক্টরদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে। থৌদোক অদুদা আর্মি জৱান অনী শিরে হায়রি।

থা অসিগী মনুংদা পাকিস্তান্না এল ও সীদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক তোয়না থোকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী অচৌবা মায় পাকপা থৌওং অমদা জে ঈ এমগী মকোক থোংবা কম্মান্দর নুর মহমদ তান্ত্রিবু সাউথ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবনি।

হৌখিবা ওক্টোবর ১০দা শ্রীনগরগী সনত নগর চোকতাটেররিষ্টশিংনা সী আর পি এফকী গাড়ী অমদা এটেক চথুরকপা লৈখ্রবনি। সী আর পি এফকী ২৯শুবা বট্টালিয়নগী গাড়ীদা চথুরকখিবা এটেক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক-অপন নংখিদে। অদুবু সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্লকপদা টেররিষ্ট অমা শোকখিবনি।

সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট অহুম হাৎপা লৈখ্রবনি। সোপিয়ানগী গাতিপোরা খুঙ্গংদা থোকখিবা থৌদোক্তা অবিদ কৌবা টেররিষ্ট অমা শিখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাদুরা এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম)গী মকোক থোংবা লূচিংবা অমা হাৎপা লৈখ্রে।

কাশ্মীর তম্পাক্তা জে ঈ এমগী ওপরেসনেল কম্মান্দর ওইনা লৈবা খলিদ হাৎখিবগী থৌওং অদু সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না লৌনরি। জে ঈ এমগী টেররিষ্টশিংনা সিক্যুরিটি কনভোই অমদা এটেক চথুরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী খুৎ থোক্লবদা খলিদ লৈখিদবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা জে ঈ এমগী মকোক থোংবা লূচিংবা অসিনা টেররিষ্ট ১২ পাকিস্তানলোমদগী ইন্দিয়াদা লোন্না পুশিল্লকখিবনি।

# মুস্লিম নুপীশিংগ্ ট্রিপল টলাক্কী চৈথেংদগী নান্থোকপা ঙল্লে : প্রাইম মিনিষ্টর

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

চহী অসিগী অরোইবা মন কি বাট থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্কদৌরিবা চহীদা ভোট থাদবা য়াবগী চহী মতাং য়ৌরবা নহাশিংবু তরাম্না ওকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, হন্দক্কী চহী হৌবা নুমিৎ অসি য়াম্না মরুওইনা লৌফম থোকই। ২১শুবা চহী চাদা পোকপা মীওইশিং লাক্কদৌরিবা চহী অসিদা ভোট থাদবা য়াবগী চহী মতাং য়ৌরগনি।

স্বাছ ভারত মিসনগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, জন্যুৱারী ৪দগী ১০ ফাওবা ক্লিনলিনেস সর্ভে পাঙথোক্তুনা অর্বান এরিয়াশিংদা কদাই ফাওবা লু-নালহনবগী পান্দম ফংবা ঙম্লবগে হায়বদু য়েংশিল্লগনি।

কুমজা ২০১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অসিয়ান লৈবাক ১০গী লূচিংবশিং চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগদবা মরম্না মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরম য়াম্না মরুওইনা লৌফম থোকই।

লোক সভাদা হন্দক্তা পাস তৌখিবা ট্রিপল টলাক্কী বিলগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মুস্লিম নুপীশিং ট্রিপল টলাক্কী চৈথেংদগী নান্থোক্লবা পাম্বৈ অমা পুথোকপা ঙম্লে। বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা ট্রিপল টলাক্কী চৎনবী মুখৎতুনা মুস্লিম নুপীশিংবু মশাগী রাইট চপ চানা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

কুমজা ২০১৮গী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অনৌবা চহী লাকপগা ইরোয়ননা ব্লেক মণি, শেঙ্গা থুমজা, বেনামি প্রোপর্টি, কাঙলূপ নাইবগী থৌওং অমসুং টেররিজম মপুং ফানা মুখৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। হীরম অসিদা লৈবাক মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপা মথৌ তাই।



অখন্নবা মীওই খরগী ৱাখলদা ফাওরিবা ভী আই পি কলচর লৌথোক্লবগী পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা রেদ বিকন শীজিন্নবা থিংনবগী ফিরেপ লৌখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিদা ভী আই পি হায়বা ৱাহৈ অসি মুখৎলগা ঈ পি আইনা মহুৎ শীনগদবনি। ঈ পি আই হায়বদি এভরি পার্সন ইজ ইম্পোর্টেন্ট হায়বনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

সেন্টরনা রেদ বিকন শীজিন্নবা থিংনবগী ফিরেপ লৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিদা খুন্দারিবা মীওই ক্রোর ১২৫মক মগুণ লৈবা অমসুং মরুওইবা মীওই ঙাক্তনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

রেদ বিকনবু ভী আই পি কলচরগী সিম্বল অমা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা মীওই খরনা থৌওং অসিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি। গাড়ী মথক্তা খিনবা রেদ বিকননা মরম ওইরগা গাড়ী অদুদা তোংলিবা মীওইশিংনা চাউথোকচবগী ৱাখল চেনবা মরম্না লৈবাক অসিদা ভী আই পি কলচর লৈরকখিবনি।

রেদ বিকন শীজিন্নবা য়াদ্রে হায়রবসু মীয়ামগী ৱাখলদা পকশিন্দুনা লৈহৌরবা ভী আই পি কলচরদি খুদক্তা হেক মুখৎপা ঙম্লোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মপান লৈবাক্তা থবক তৌদুনা লৈরিবা ডোক্টরশিং হল্লক্নবা ভেনকয়া নাইদুনা আপিল তৌখ্রে




কোলকাটা, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা হেল্থ ক্যের সেক্টরদা শেল থাদবগা লোয়ননা হেল্থ ইন্স্যুরেন্সকী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনগদবনি হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মীয়ামদা মপুং ফাবা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, প্রাইভেট সেক্টর ইনভেষ্টমেন্ট অমদি পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ (পি পি পি) মোদেলদা লৈবাক অসিগী হেল্থ ক্যের সার্বিস ফগৎহনবা মথৌ তাই।

অমেরিকন এসোসিএসন ওফ ফিজিসিয়ন্স ওফ ইন্দিয়ন ওরিজিন (এ এ পি আই)না শীন দুনা পাঙথোকপা ১১শুবা গ্লোবল হেল্থ ক্যের সমিটতা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াবু মেদিকেল টুরিষ্ট সেন্টর ওইহন্নবগীদমক মপান লৈবাক্তা থবক তৌদুনা লৈরিবা ডোক্টরশিং লৈবাক অসিদা হল্লকহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

পোলিটিকেল পার্টিশিং অমত্তা ওইনা ফমিন্নদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কয়ারক ফমগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা মথৌ তাই হায়না মমাঙদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

হাউসকী মীফম চথুরিঙৈদা প্রিসাইদিং ওফিসারগী পোদিয়ম মনাক্তা চঙলকপা মেম্বরশিং সস্পেন্দ তৌনবগী মতাংদা থৌরাং লৌখৎপসু মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙাইহাক লৈতনা হাউসকী মীফমদা অকায়বা থোকহনবা মেম্বরশিংগী মথক্তা করি করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বদু চপ চানা লেপথোকপা মতম ওইরে। প্রাইম মিনিষ্টরবু ইকায় খুম্নখিদবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন অপনবা থোক-হনখিবগীদমক কোংগ্রেসনা কন্দিসন য়াওদনা লাল্লে হায়জফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# অমিত শাহনা থাজবা পীবদগী নিতিন পতেল শাওবা ফখ্রে



অহমেদবাদ, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা মীৎয়েং চঙলকপদগী নৌনা শেম্বদা ঙাইরিবা গুজরাট গভর্ণমেন্ট মনুংদা লৈরম্বা নুংঙাইনদবা পূম্নমক কোকহনবা ঙমখ্রে।

নিতিন পতেলবু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইহনখ্রবা মতুংদা মশানা পাম্বা পোর্টফোলিও পীদে হায়বগীদমক অনৌবা গভর্ণমেন্ট মনুংদা নাকপাক তান্নবগী ফীভম লাকখি। বিজয় রুপানিনা চীফ মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা মরুওইবা পোর্টফোলিওশিং মহাক্না নক্নবা মীওইশিংদা পীরগা নিতিন পতেলদা অফবা পোর্টফোলিও পীদে হায়বগী মতাংদা ৱাথোক অমা থোরকখি।

নিতিন পতেলদা অর্বান দিভলপমেন্ট, রোদ এন্দ বিল্ডিং, হেল্থ, মেদিকেল এদ্যুকেসন, নর্মাদা, কল্পসার অমদি কেপিটেল প্রোজেক্ট পায়হনবগী মতাংদা মহাক্না সেন্ট্রেল লীদরশিংদা ৱাকৎপা লৈখ্রবনি। তরেৎলক থংনা থংনা মীখলদা মায় পাক্লকখ্রবা নিতিন পতেলবু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা পুখৎখিবা তারবসু কুমজা ২০১৬তা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেন পতেলনা ফম থাদোকখিবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর ওইনবগী খুদোংচাবা পীখিদে।

হন্দকসু অমুক হন্না নিতিন পতেলবু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়হনখি। অদুম ওইনমক মশানা পাম্বা পোর্টফোলিও অমত্তা পীদ্রে হায়বগীদমক সেন্ট্রেল লীদরশিংদা ৱাকৎতুনা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকপগী ফীভমদা লাকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা পতিদার লূচিংবা হর্দিক পতেলনা হায়খি মদুদি, খুদক্তা নিতিন পতেলনা মিনিষ্টর ওইবা তোক্তুনা কোংগ্রেসতা য়াওগদবনি। করিগুম্বা গুজরাটকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর নিতিন পতেলনা এম এল এ ১০গা লোয়ননা বি জে পিদগী থোরক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওরকপা তারবদি ষ্টেট অসিগী ওইনা অফবা ওইগনি।

বি জে পিনা ঈকায় খুম্নবিদ্রবা পতেলনা মখা তানা ষ্টেট কেবীনেটতা লৈবগী মথৌ তাদে। বি জে পিনা মায় পাক্লে হায়দুনা মঙোন্দা নীংহন্নবা লৈরোই। মহাক্কী কেম্প্যেন লেপ্তুনা চত্থখিগনি। মহাক পার্টি অমত্তগী নত্তে। মরম অদুনা মহাক্কী কেম্প্যেন মখা চত্থখিগনি অমসুং দাদাগীরিগা লোয়ননা মখা তানা বি জে পিগা থেংনখিগনি হায়না হর্দিক পতেলনা ফোঙদোকখি।

দিভলপমেন্টকী ৱাফম অমসুং পার্টিগী পোলিটিকেল লীদরশিপকী লল্লোংনা মরম ওইরদুনা মীখলদুদা মায় পাক্লিবনি হায়বা বি জে পিগী ক্লেম অদু মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

পতেলনা হায়খি, এসেম্ব্লি মীখলদুদা চনাক্য নিটি লৈখিদে। শুপ্নগী শেলগী পাৱর অমসুং ঈ ভী এম শেমদোকপনা বি জে পিনা গুজরাটতা মায় পাকখিবনি।

কোংগ্রেস অমসুং অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংদা অমগা অমগা খুৎশম্নদুনা ঈ ভী এম শেমদোকপগী মায়োক্তা কেম্প্যেন অমা হৌনবা তকশিনখি। ঈ ভী এমশিংদু লান্না থবক তৌরমদ্রবদি মীখলদুদা বি জে পি মায়থিরমগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# লৈচিল নোংফাই থাংবদগী আই জি আই এয়রপোর্ট মথৌ লেপখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

কা হেন্না লৈচিল নোংফাই থাংবদগী ঙসি ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল (আই জি আই) এয়রপোর্ট মথৌ লেপখ্রে।

অয়ুক অঙনবদগী হৌনা দিল্লিদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী মীয়াম্না উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকখি। মদুনা মরম ওইরগা এয়রপোর্টতা ফ্লাইট সার্বিস লেপহনখিবনি। অয়ুক ঙন্না লমথাগদবা ট্রেন ১৫সু কেন্সেল তৌখি।

ঙরাং অয়ুকসু দিল্লিদা লৈচিল থাংখিবনা ফ্লাইট অমদি রেলৱে ট্রাফিক্তা চাউনা অপনবা থোকহনখি। আই জি আই এয়রপোর্টতগী পাইগদবা প্লেন ৯০ নৌনা মতম লেপখিবগা লোয়ননা দিল্লিদা থুংলগদবা ফ্লাইট ৪০ অতোপ্পা মফমদা ওইনা থুংহনখি।

নিংথম থা হেক চঙলকপদগী দিল্লিদা কা হেন্না লৈচিল নোংফাই থাংলকপা মরম্না নুমিৎ খূদিংগী ফ্লাইট অমসুং ট্রেন কয়া কেন্সেল তৌদুনা লাকখিবনি।




হন্দক্তসু দিল্লি তম্না চেনগদবা ট্রেন ৩০ মতম থেংথহনখিবগা লোয়ননা ট্রেন ১০ কেন্সেল তৌবা তাখি। অতোপ্পা ট্রেন তরুক্না নৌনা অমুক লমথাবগী থৌরম লেপখি।

নিংথম থা চঙলকপগা অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈচিল নোংফাই থাংবা হৌরক্তুনা ইন্দিয়ন রেলৱেজ মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহনখিদবনি।

চহী খূদিংগী নিংথম থা হেক চঙলকপগা ট্রেন সার্বিসতা অপনবা পীবগী থৌদোক থোক্তুনা লাক্লি। লৈচিল থাংবদগী ময়েক শেংনা উবা ঙমদবা মরম্না অৱাং থংবা ইন্দিয়া ট্রেন পূম্নমক পুং কয়ামরুম থেংথহনখি।

ট্রেন অয়াম্বা খুদোংথিবা মায়োক্লবা য়াই হায়না চিংনবদগী পুংদা কিলোমিটর ১৫গী চাংদা য়াম্না তপ্না থৌবা মরম্না লমথুংফম য়ৌবদা পুং ২২ রোম থেংথহনখিবনি।

খুদোংচাদবা কয়া অসি কোকহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হোৎনরি। মরুওইনা ট্রেন প্রোটেক্সন ৱার্নিং সিষ্টেম, ট্রেন কোলিজন অভোইদেন্স সিষ্টেম অমদি টেরেন ইমেজিং ফোর দীজল দ্রাইভর সিষ্টেম শীজিন্নরি।

মমাঙদসু দিল্লিদা কা হেন্না মম্বা মওংদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী ট্রেন ১৫ কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৩৪ মতম থেংথহনখি। উবা ঙম্বগী চাং ৱাৎপা মরম্না ট্রেন মরিসু নৌনা মতম লেপখিবনি।

কেপিটেল সিটিদা নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ৮৬ ওইখি। অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী শরুক অয়াম্বা কা হেন্না ঈংবগা লোয়ননা লৈচিল থাংবদগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহন্দুনা লাকখিবনি।

# ‘স্মার্ট সিটি প্রোজেক্টকী শেনফম চাদা ৭ শীজিন্নবতা ঙাইরি’

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খ্রে মদুদি, এন দি এ গভর্ণমেন্টনা স্মার্ট সিটিগী প্রোজেক্ট পায়খৎপা তারবসু হৌজিক ফাওবদা প্রোজেক্ট অসিগী অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৯,৮৬০গী চাদা ৭ খক্তমক শীজিন্নবদা ঙাইরি।

মরম চাদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্বু অপঙবা শীনবা হোৎনৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরবু মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, চাইনানা হীরম কয়াদা শীংনরকপা মতমদা ইন্দিয়ানা মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা ঙমদে। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টরনদি চাইনাবু মীকুপ অমদা হেক্তা মায়থিবা পীবা ঙম্বগী মওংদা ৱা ঙাঙলি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)বু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা হায়খি, পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবশিং ফনা য়াম্না ফংগনি হায়বা তারবসু কোংগ্রেসনা কৈদৌঙৈদসু মীয়াম্বু নমথাক তৌরোই। বি জে পিনা মীয়ামদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মীখলদা মায় পাক্লবা হোৎনরি। কোংগ্রেসনদি মীখলদা মায়থিবা তারবসু মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।



নৌনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইবগী থৌ পুখ্রবা রাহুল গান্ধীনা চাক্লেন য়াওবা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা পার্টিগী এম পিশিং, ওফিস বিয়ররশিং, প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বরশিং অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেটিব পার্টিগী লূচিংবশিংগা উনবা লৈখ্রবনি।

ফীভম শোকচিল্লক্লবা পার্টিবু অমুক হন্না হিংগৎহন্নবগী পান্দমদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী থৌ পুখ্রবনি।

কোংগ্রেস হেদকার্টরসতা পাঙথোকখিবা চহী ১৩২ শুরবা পার্টি অসিগী লূচিংপুরেলগী ফম শিন্নবগী থৌরমদা সেন্ট্রেল ইলেক্সন ওথোরিটিগী প্রসিদেন্ট মুলাপলি রামচন্দ্রননা রাহুল গান্ধীদা সার্টিফিকেট ওফ ইলেক্সন খুৎশিন্নখ্রবনি।

# ‘ইন্দিয়াদা খোইয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা মীওই ১৭ লৈ’

অলাহবাদ, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

লাইনিংবশিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা অখিল ভারতিয়া অখরা পরিষদনা লৈবাক অসিদা মশানা মশাবু খোইয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবা মীওই ১৭কী মিং লাউথোরকখ্রে।

সেপ্টেম্বর থাদা শাশিন্নবা শাদু বাবা ১৪গী মিং লাউথোকখ্রবা মতুংদা হিন্দু লাইনিংবশিংগী এপেক্স বোদিনা ঙসি অনৌবা মীওই ১৭কী মিং লাউথোরকখিবনি।

খোইয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জিন দুনা মীয়ামদা নমথাক তৌই হায়রিবা মীওই ১৭ অদুদি বিরেন্দ্র দেব দিক্সিট, সচিদানন্দ সরস্বতি, ত্রিকাল ভাৱন্ত, অসারাম বাপু, রাধে মা, সচিদানন্দ গিরি, গুরমীট রাম হরিম সিংহ, স্বামি ওমজি, নির্মল বাবা, ইছাধরি ভিমানন্দ, স্বামি অসিমানন্দ, নরায়ন সাই, রামপাল, অর্চায্য কুস্মুনি, ব্রহস্পতি গিরি, ওম নমা সিবাইয়ে বাবা মলখন সিংহনি।

সেপ্টেম্বর ১০দা অখিল ভারতিয়া অখরা পরিষদনা শাশিন্নবা শাদু বাবা ১৪গী মিং লাউথোকপা লৈখ্রবনি। সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী কোর্ট অমনা দেরা সচা সৌদাগী লূচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহবু চহী ২০ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখিবদগী ঈরাং হৌরক্তুনা লম-থুম কয়া মাঙ-তাকখ্রবা মতুংদা শাশিন্নবা বাবা ১৪গী মিং লাউথোরকখিবনি।

দেরা সচা সৌদাগী লূচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহনা য়োকচবী হনিপ্রীট ইন্সানবু পঞ্চকুলাগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা পুথোরকখিবনি।

অশেংবা মমিং প্রিয়াঙ্কা তনেজা কৌবী হনিপ্রীটপু অম্বালা সেন্ট্রেল জেলদা থম্লকখি। মমাঙদা পুলিসনা হনিপ্রীটপু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি।

দেরাগী তুংইনবী অনী ফম্লানখিবগী মরালদা জেল চঙখ্রবা রাম রহিমগা খ্বাইদগী নক্লবা মীশক ওইরিবা মরম্না হনিপ্রীটতগী অকুপ্পা ৱারোল কয়ামরুম খঙবা ঙম্লবগীদমক মহাকপু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীয়ু হায়না কোর্টতা হায়জখিবনি।

জেলদা লৈরিবা দেরা সচা সৌদাগী লূচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহগী য়োকচবী মচানুপী হনিপ্রীট ইন্সানবু হরিয়ানগী পঞ্চকুলাদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ ফাওবা ৱাহং-পাউহং চত্থখ্রবনি।



নুমিদাং থেংজিল্লক্লবা মতমদা থবাক নারে হায়না ৱাকৎলকপদগী হনিপ্রীটপু ঙাইহাক হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়েংখি। অদুবু ডোক্টরশিংনা করিসু থোইদোকপা তৌদে হায়না থাদোরকখি।

হনিপ্রীটপু হরিয়ানা পুলিসনা থা ১ রোম হেন্না থিবা হুম্বগী থবক চথুরবা মতুংদা ফাখিবনি। ওগষ্ট ২৫দা রাম রহিমবু নুপী তুংইনবী অনী ফম্লানখিবগী মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা থোকখিবা হাৎনা শুনবগী থৌদোক্তা চেন্নৈ হায়বগীদমক হরিয়ানা পুলিসনা হনিপ্রীটপু মতম শাংনা ৱাহং-পাউহং চত্থখি হায়রি। পঞ্চকুলাদা থোকখিবা হাৎনা শুনবগী থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা হনিপ্রীটপু পুলিসনা ফানবা হোৎনদুনা লাকখি।

মশানা মশাবু খোয়ুম লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়জবী রাধে মা-না দিল্লি পুলিসকী ওফিসারশিংগা ঈশৈ শক্তুনা জগোই শামিন্নবগী ভীদিও অমা সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপা লৈখ্রবনি।

দিল্লিগী রাম লীলা পাঙথোকফমদা মহাক্না পুলিস পার্সনেল কয়াগা লোয়ননা ঈশৈ শকমিন্নখিবা অমসুং জগোই শামিন্নখিবগী ফুটেজ সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপদা পুলিস ফোর্স ঈকায় নংখি। জি টি বি এনক্লেব পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস পার্সনেল মঙানা রাধে মাগা লোয়ননা ঈশৈ শকমিন্নদুনা জগোই শামিন্নখিবনি হায়রি।

ফেসবুকতা থাগৎলকখিবা পুলিস পার্সনেলশিং অদুদি এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্টর ব্রজ ভুষণ অমসুং রাধে কৃষ্ণন; হেদ কন্সটেবল প্রমোদ লোয়ননা কন্সটেবল হিতেজ অমদি রবিন্দরনি। মমাঙদা রাধে মানা দিল্লিগী ভিবেক বিহার পুলিস ষ্টেসন্দা ষ্টেসন হাউস ওফিসার (এস ঐচ ও) সঞ্জয় শর্ম্মগী চৌক্রিদা ফমদুনা লৈবগী ফোটোগ্রাফ অমসু সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনা ইনক্বারি চথনবা য়াথং পীখি। এস ঐচ ও অমদি পুলিস পার্সনেল মঙাগী মথক্তা ইনক্বারি চথবা হৌখ্রবনি।

# অৱাং নোংপোক্তা মোবাইল এয়র দিস্পেন্সরি সার্বিস লৈরগনি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

চীংগী মনুং হঞ্জিনবা অৱাং নোংপোক লমদমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মোবাইল এয়র দিস্পেন্সরি সার্বিস তৌবা হৌরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্বী-থোং ফাওনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অৱাং নোংপোক লমদমদা এয়র দিস্পেন্সরি অনী লোঞ্চ তৌনবগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ৮০দগীনা লুপা ক্রোর ১০০ ফাওবা কায়থোক্লগনি হায়না অয়াবা পীখি।

সোর্ছ অমনা হায়খি, শিলোং অমদি ইম্ফালদগী ওপরেট তৌগদৌরিবা এয়র দিস্পেন্সরি অনীনা অসাম নত্তবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট তরুক্তা লৈরিবা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা হকশেলগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

সোর্ছ অমগী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রি অহুম্না থৌরাং অসি লৌখৎনবগীদমক নেসনল হেলিকোপ্টর কেরিয়র পৱন হন্স শীজিন্নগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা পীখৎলকখিবা প্রোজেক্ট রিপোর্টতা হেলিকোপ্টর অনী শীজিন্নদুনা ষ্টেট তরুক্তা মোবাইল এয়র দিস্পেন্সরিগী খুদোংচাবা ফংহনবদা থা খূদিংগী লুপা ক্রোর ১.৮৭ চঙগনি হায়বা ৱাফম য়াওখি।

হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রি অমসুং দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) মিনিষ্ট্রিগী মরক্তা য়ানদবা ৱাফম খরা লৈবদগী প্রোজেক্ট অসি মতম খরা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

অকোনবদা হেল্থ, দোনর অমসুং সিবিল এভিয়েসনগী মিনিষ্ট্রিনা জোইন্ট ভেঞ্চর ওইনা প্রোজেক্ট পায়খৎপগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, অৱাং নোংপোক লমদমদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা মীওই ৩,০০০ হেন্না মমাঙ চহীদা শিখি হায়রি।